# এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপ ক্বালিফাইদ ওইনবা হোৎনবা চাওনা থৌদাং লৌখিবী শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস):** ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমনা চহী ১৮গী মতুংদা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৬তা ক্বালিফাইদ ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী লমদম অসিগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে।

থাইলেন্দগী চিয়াং মাই সীটিদা পাঙথোকখিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ান কপ ক্বালিফয়র্সতা ইন্দিয়াগী নুপী নেশনল ফুটবোল টিমনা মাইথিবা অমত্তা য়াওদনা চহী ১৮গী মতুংদা কপ অসিগীদমক ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী নেশনল ৱিমেন ফুটবোল টিমদা মণিপুরদগী নুপী শান্নরোয় ১০না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হন্দক্কী ক্বালিফয়র্স রাউন্দগী মেটচ ৪ শান্নখিবদা মরিমক মায় পাকপা ঙমখি। ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াখিবা মণিপুরদগী শান্নরোয় ১০গী মনুংদা শান্নরোয় ৯ ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অস্ফা) অমদি মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা হায়, মতম কুইরবগী তুংদা অমুক হন্না ইন্দিয়াগী ৱিমেন্স নেশনল টিমনা ক্বালিফাইদ ওইদুনা মথং চহীগী মার্চ থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৬ তা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা শরুক য়াবা ফংগদৌরিবা অসি ঐখোয়গী ষ্টেট অসিগী ওইনদি য়াম্না চাউথোকচনিংঙাইনি।

মরমদি হন্দক্তা থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২৬ ওষ্ট্রেলিয়া ক্বালিফয়র্সতা ইন্দিয়া টিমনা থাইলেন্দ, টিমোর লেষ্ট, ইরাক অমদি মোঙ্গোলিয়াগা লম্বা তৌনখি। মদুনা ইন্দিয়ানা লম্বা তৌনখিবা টিম মরিমক মায়থীবা পীরম্লগা গ্রুপ বিগী ওইনা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ১২ ফংদুনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। মদুদা লমদম অসিগী শান্নরোয় ১০না অচৌবা থৌদাং লৌখি। মসিমক ঐখোয়গী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই মীকুপ অমনি হায়খি।

মহাক্না হায়, অস্ফানা শীন্দুনা অথুবা মতমদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমদা শরুক য়াখিবী লমদম অসিগী শান্নরোয় ১০ হায়বদি, ঙাংবম স্বিটি, ফজ্ঞৌবম নিরমলা, হেমাম সিলকি, নোংমাইথেম রতনবলা, এলাংবম পান্থোই, দাংমৈ গ্রেস, সোরোখাইবম রঞ্জনা, থোকচোম মার্টিনা, লিন্দা কোম সর্টো অমদি মোইরাংথেম মোনালিসাবু পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্লবা শোম শারে হায়খি।

# প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ঃ য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ সী, সবোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং য়ু দি ও মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অস্ফা)না শীন্দুনা চথ্থরক্লিবা অনীশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬কী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ সীনা য়ুথ ৱেলফেয়র এসোসিএসন, সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লব অদুগা য়ু দি ওনা অসুফি এফ এ মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদগী হৌরগা সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ সী অমসুং য়ুথ সোসল ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ সীনা লাকচনা পাঞ্জল ৮-২দা য়ুথ সোসল ৱেলফেয়র এসোসিএশনবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

ঙসি অনীশুবা মেটচ ওইনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচকী অরোয়বা অপীবা মতম ফাওবদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ২-১দা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লব মায়থীবা পীরমখিবনি। ঙসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৩ তাবদগী হৌরগা য়ু দি ও অমসুং অসুফি এফ এগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙম্লবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা য়ু দি ওনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।




# সোরাম রানিনা য়েৎনা অমসুং ওইনা অনীমক্কী গোল্ড মেদল লৌখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস):** মমাঙ থাগী ২৬তগী হৌরগা থা অসিগী ৬ ফাওবা য়ু এস এগী অলাবমাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফয়র গেমস ২০২৫দা শরুক য়াখিবী মণিপুরগী সোরাম রানিনা আর্ম রেষ্টলিংগী য়েৎনা অমসুং ওইনা অনীমক্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

সোরাম রানি ৯শুবা আই আর বি মহিলা বট্টলিয়ন খুমন লম্পাক্তা এ এস আই ওইনা থবক তৌরি। অদুগা হৌজিক্না ৭শুবা এম আর খাবৈসোইদা এটেষ্ট তৌদুনা লৈরি। মহাক্না কেজি ৭৫গী কেটাগরিদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক ইথাই ৱাপোকপীদগী সোরাম লালমনি অমদি লৈখিদ্রবী সোরাম ওংবী মেম্মাগী মচানুপীনি।

# মথং চহীদগী ইন্দিয়াগী সব জুনিয়র ৱিমেন্স হোক্কি টিম দিভিজন ‘এ’দা শান্নরগনি

**ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস):** ঝরখন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা রাঞ্চিদা চথ্থরকখিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র ৱিমেন নেশনল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫গী দিভিজন বিদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী টিমনা পুল এদা শান্নখিবা মেটচ খুদিংমক মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা মথং চহীদগী ইন্দিয়াগী টিম দিভিজন ‘এ’দা শান্নরগনি হায়রি।



পুল এগী ওইনা ঙসি মণিপুর হোক্কি অমসুং হোক্কি উত্তরখন্দগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরগী ৮শুবা মিনটতা মণিপুরগী জেরিনা চোংথামনা টিমগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা মণিপুর হোক্কিনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।


অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংগী হৈশিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুর হোক্কিনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা অদুম্মক লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ৩১ শুবা মিনটতা হোক্কি উট্টরখন্দগী মান্সি কটারিয়ানা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখি। অদুম্মকপু ৩৭ শুবা মিনটতা মণিপুরগী বিদ্যলক্সমিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা মণিপুরগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা হোক্কি উত্তরখন্দগী ওইনা পাঞ্জল ১দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু মণিপুর হোক্কিনা পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাকখিবনি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1527**


**Norbert Sehner (2390) - Marcel Piket (2375)**
**OHRA-B Amsterdam (7), 1986**

1.c4 g6 2.g3 Bg7 3.Bg2 e5 4.Nc3 d6 5.e3 Nc6 6.Nge2 h5 7.h4 Bg4 8.d3 Nge7 9.b3 O-O 10.Bb2 Rb8 11.Qd2 Re8 12.O-O Qd7 13.Kh2 a6 14.Rac1 Kh7 15.Ng1 Bh6 16.Ne4 Ng8 17.Nh3 f6 18.b4 Bg7 19.a4 Nce7 20.b5 Nh6 21.Ba3 b6 22.d4 Bxh3 23.Bxh3 Ng4+ 24.Kg1 Nf5 25.Bxg4 hxg4 26.dxe5 Rxe5 27.Nc3 a5 28.Bb2 Qf7 29.Qd3 Rbe8 30.Rce1 Ne7 31.e4 f5 32.Ba1 Ng8 33.Re2 f4 34.Nd5 f3 35.Re3 g5 36.hxg5 Qh5 37.Rfe1 Qxg5 38.Nxc7 R8e7 39.Nd5 R7e6 40.Nf4 Rh6 41.Rd1...

**QUESTION :** **Black to checkmate**

**Puzzle 1526 Solution :**

**23. ...Nxc5 24.bxc5**
*24.Qxc5 Raxc8*
*24.Qxe5 Nd3 25.Qc3 Raxc8*
*Garbage collection* **24. ...Qf6 25. Bb7**
*25.Bg4 Nf3+ 26.Bxf3 Qxd4*
*25.Rfd1 Raxc8*
*25.f4 Nf3+ 26.Kh1 Qxd4*
**25. ...Nf3+** *With a discovered attack by the black queen on White's queen.*
*25...Rab8 26.c6*
**26. gxf3**
*26.Kh1 Qxd4*
*Garbage collection* **26. ...Qxd4 27.Bxa8 Rxa8**
**0-1**







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com